# ১৯৭১ মার্চ ২৫ ফাওবদা খুন্দা লৈতাদুনা লৈরবশিং অসামিজ ওইনা শক খঙবিগদবনিঃ এ আই য়ু দি এফ

গুৱাহাটি, নবেম্বর ০৩ (এজেন্সি )ঃ

ওল ইন্দিয়া য়ুনাইটেদ দিমোক্রেটিক ফ্রন্ট (এ আই য়ু দি এফ)কী টিম অমনা ঙরাং অসাম একোর্দকী ক্লোজ ৬ থবক্তা ওহোল্লবা য়েংশিল্লিবা হায় পৱার কম্মিটিগা উনদুনা ১৯৭১ মার্চ ২৫ ফাওবগী মনুংদা অসামদা খুন্দা লৈতাদুনা লৈরবা মীওইশিংবু অসামিজ ওইনা শক খঙবিদুনা কন্সটিট্যুসনগী ঙাক্লো পীগদবনি হায়না তকশিনখ্রে।

এ আই য়ু দি এফকী দেলিগেসন টিম অদুনা হায় পৱার কম্মিটিদা সজেসন কয়া য়াওবা মেমোরেন্দম অমসু পীশিনখি। তোঙান তোঙানবা পোলিটিকেল অমসুং নন–পোলিটিকেল ওর্গনাইজেসনশিং কংগ্রেস অমদি কৃশক মুক্তি সনগ্রাম সমিটি (কে এম এস এস)গী কাঙবুনসু ঙরাং কম্মিটি অসিগা উনখ্রে হায়রি।

ৱারী শান্নবা পাম্বা সেনিয়র উলফা লিদর অনুপ ছেতিয়ানা লুচিংবা ইন্দিজেনস ফোরম অসাম্না হায় পৱার কম্মিটিগা উনখ্রবা মতুংদা এ আই য়ু দি এফকী দেলিগেসন অমনা ঙরাং মেমোরেন্দম অদু পীশিনখিবনি।

অনুপ ছেতিয়ানা লুচিংবা ইন্দিজেনস ফোরম্না হায় পৱার কম্মিটিদা থমখিবা ৱাফমদি করিগুম্বা ফোরেন্নরশিংবু কন্সটিট্যুসনগী ঙাক্লো পীবা তারবদি কুমজা ১৯৫১ অমসুং ১৯৭১ গী মরক্তা অসামদা চঙশিল্লকপা ইন্দিজেনস পিপলশিংগী আইদেন্টিটি ক্রাইসিস মায়োক্নরকপা য়াই হায়বসিনি।

অসাম একোর্দকী ক্লোজ ৬ থবক্তা ওহোল্লবা হায় পৱার কম্মিটি অসিনা সেন্টরদা রিকমেন্দ তৌবা মতমদা মীওই কাঙলূপ খূদিংমক চপ মান্নবা মীৎয়েং য়েংগদবনি অমসুং লিগেলগী ওইবা অৱাবা নংহল্লোইদবনি হায়না এ আই য়ু দি এফনা ফোঙদোক্লি।

এ আই য়ু দি এফনা অসামিজ অমসুং অসামগী অতোপ্পা ইন্দিজেনস লেঙ্গোইজ ঙাক শেন্নবা অমদি ইন্দিজেনস ট্রাইবেল, ইন্দিজেনস অসামিজ অমসুং অতৈ ইন্দিজেনস পিপলগী কলচরেল, সোসিয়েল, লিঙ্গুইষ্টিক আইদেন্টিটি অমসুং হেরিটেজ চাউখৎনবা, ঙাকশেন্নবা অমসুং য়োকখৎনবা অফবা খোঙথাং খূদিংমক শৌগৎলি হায়রি।

হায় পৱার কম্মিটি অসিনা থোকখিবা পব্লিক নোটিশতা অসামিজ হায়বগী মহুত্তা ইন্দিজেনস ট্রাইবেল, ইন্দিজেনস অসামিজ অমসুং অদর ইন্দিজেনস পিপল হায়খিবনি।

এ আই য়ু দি এফনা কম্মিটিগী মাঙদা থমখিবা ৱাফমদি অসামগী ইন্দিজেনস পিপল হায়বা ৱাহে অসিগী ৱাহম্বোক পীবা লো অমত্তা পার্লিয়ামেন্ট নৎত্রগা ষ্টেট এসেমব্লিনা শেমখিবা লৈতে। লিগেলগী ওইবা ৱাহম্বোক্তা ইন্দিজেনস ইনহেবিটেন্ট ওফ অসামগী য়ানগদবা মওং পুথোক্ত্রিঙৈদো হান্না ভাব তামিন্নবা দরকার ওইরি হায়বসিনি।

অসাম প্রদেস কংগ্রেস কম্মিটিগী ৱাঙাংলোই অমদি সেনিয়র লুচিংবা দুর্গাদাস বোরোনা লুচিংবা দেলিগেসন অমনসু হায় পৱার কম্মিটিগা উনদুনা অসামিজ হায়বসি ইন্দিজেনস ট্রাইবেল, অসামিজ ইন্দিজেনস অমসুং অদর ইন্দিজেনস পিপল হায়বা অসিগী বেসিক ওইবা থাক অদু খঙবা পাম্মী হায়না কম্মিটিগী মাঙদা থমখি। মসিগী মতাংদা কম্মিটিনা নীংথিনা ফোঙদোকপা ঙমখিদে হায়রি।

ওল অসাম ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (আসু)গী লুচিংবা ওইরম্বা লোয়র নেকিবুর জামননসু হায় পৱার কম্মিটিগা উনদুনা বরাক ভেল্লিদা লৈবা কম্যুনিটি ৬ হায়বদি গোরিয়া, মোরিয়া, দেসি, জালোহা, পাঙল অমসুং কাছারিবু প্রোটেক্সন পীনবা থবক গভর্ণমেন্টনা লৌখৎপিনবা হায়খি। হায়রিবা কম্যুনিটিশিং অসি মীতোপ চঙশিল্লকপনা চৈথেং ফংলবনি হায়বগী ৱাফমসু থমখি।

## অম্মিকপু থাগৎখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৩ (এস এন এস )ঃ

হৌজিক ওইরিবা লৈবাক্কী ইসু কয়াদা শরুক য়াবা ওইনা মাঙজৌননা ঈশৈ নোংমাইগী থৌরম লেপ্পম্বগী–দমক অপূনবা মণিপুর মতম ঈশৈ কাঙলুপ (অম্মিক)পু কংলৈপাক কনবা লূপ্না থাগৎপা ফোঙদোক্লি হায়না লূপ অসিগী জেনরেল সেক্রেটরীনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়রি।

## হেরোইন পাউদর গ্রাম ২২৩ গা কোন্ননা মীওই ১ ফারে

মোরে, নবেম্বর ০৩ (এস এন এস )ঃ

তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা বোর্দর টাউন মোরেদা লৈবা ১২ শুবা বট্টালিয়ন অসাম রাইফলসকী কাঙবু অমনা ঙসি নুংথিল পুং ৪.৩০ রোম তাবদা ইম্ফাল মোরে লম্বীগী খুদেং থাবী চেক পোষ্টতা গারীশিং চেক তৌবদা হেরোইন পাউদর গ্রাম ২২৩ গা কোন্না মীওই অমা ফারে।

পাউ অসিনা হায়, মোরে–রোমদগী থোকখিবা গারীশিং এ আর চেক পোষ্টতা খামদুনা চেক তৌবদা গারী অদুদা হেরোইন পাউদর পেকেট ১৯ য়াওরম্বা থেংনখিবনি। হায়রিবা পেকেটশিং অদু চাউরাক্পা গ্রাম ২২৩ ওইগনি। হেরোইন পাউদর অদুগা কোন্ননা ফাকুর (২৭) অপোকপা লৈখিদ্রবা নাজির অহম্মদসু ফাখি। মহাক থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা সঙ্গায় য়ুম্ফম মাইরেন খুনদগীনি। মহাক অমসুং মঙোন্দগী ফংলিবা পাউদর অদুগা কোন্ননা মোরে পুলিস ষ্টেসন্দা শিন্নখ্রে হায়রি।

## পুলিস অমসুং লোয়রগী মরক্তা খূৎ থোক্লখ্রে

ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ০৩ (এজেন্সি)ঃ

নোর্থ দিল্লিগী তিস হাজারি কোর্ট কমপ্লেক্সতা ঙরাং নুমিৎয়ুংবা মতুংদা পুলিস অমসুং লোয়র খূৎ থোক্লখ্রে। পুলিসনা নোংমৈ কাপ্পদা লোয়র অমা শোকখ্রে। দিষ্ট্রিক্ট কোর্ট বার এসোসিয়েসন্না হয়েং নিংথৌকাবা নুমিত্তা ষ্ট্রাইক চত্থনবা লাউথোকখ্রে।

মরক অসিদা পুলিসনা নোংমৈ কাপ্পি হায়বা অদুদি য়াখিদে। লোয়র অমনা দিল্লি আর্ম পুলিসকী পার্সোনেল অমগা গারী পার্কিংগী মতাংদা য়েৎনরকপদগী পুলিস ওফিসার অমনা লোয়র অদুবু ফুরুবদগী খৎন–চৈনবগী ৱাথোক অদু চাউথোরকখিবনি। মদুদা পুলিস ওফিসার অমনা মহাক্কী পিষ্টোল পুথোক্তুনা কাপখিবনি হায়না চার্জ তৌখি।

পুলিসকী ৱা মতুং ইন্নদি থৌদোক অদুদা এদিস্নেল দি সি পি য়াওনা পুলিস ওফিসার ১০ শোকখি অমসুং পুলিসকী গারী ১৬ অমাঙ অতা থোকহনখি। মরক অসিদা বার কাউন্সিল ওফ ইন্দিয়ানা মরাল লৈবা পুলিসমেন অদু ফানবা দিমান্দ তৌখ্রে হায়রি।

## ময়াংলাংজিং তমাংদা চত্থখিবা দ্রাইভতা মীওই ৩ দগী য়ুঙৌ লিটর ২২ ফাগৎপা ঙমখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৩ (এস এন এস )ঃ

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী লমশাং কেন্দ্রগী মনুংচনবা ময়াংলাংজিং তমাং অৱাং লৈকাইদা ঙসি অয়ুক ময়াংলাংজিং শেমগৎ শাগৎ অপূনবা নুপী লূপ, ময়াংলাংজিং য়ুথ লাইব্রেরি ক্লব অমদি কোলিয়েসন এগেনষ্ট দ্রগস এন্দ অলকাহোল (কাদা)গী থৌমীশিংনা পূন্না চত্থখিবা দ্রাইভতা মীওই ৩ দগী পূন্না য়ুঙৌ লিটর ২২ ফাগৎপা ঙমখ্রে।

কাদাগী সেক্রেটরী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি কেঐচ অনন্দনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, চত্থখিবা দ্রাইভ অদুদা ফাগৎলবা য়ুঙৌ য়োল্লম্বা মীওইশিং অদুদি সাইখোম ইবোমচা (৫২) অপোকপা লৈখিদ্রবা নিপামচা (মঙোন্দগী লিটর ৬) খুরাইজম ইবোমচা (৫০) অপোকপা লৈখিদ্রবা তোম্বা (লিটর ৮) অমসুং খুমন্থেম রোমাসিনি মপুরোইবা লৈখিদ্রবা মনি (লিটর ৮) নি। মখোয় পূন্নমক তমাং অৱাং লৈকাইদগী ঙাক্তনি। ফাগৎলবা য়ুঙৌ অদু মফম অদুমক্তদা মীয়াম মাঙদা হৈদোক্তুনা মাঙহনখ্রে।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, মণিপুর গভর্ণমেন্টনা ৱার এগেনষ্ট অলকাহোল লাউথোক্তুনা দ্রাইভ চত্থরবসু মফম খরা নত্তনা অয়াম্বদা য়ু মরাং কায়না অদুমক ফংলি। করিদগী য়ু মরাং কায়না ফংলিবনো হায়বসি থিগৎতুনা কেম্পেইন অসি মপূং ফানা চত্থদুনা য়ু থিংনবা পুকচেল শেংনা হোৎনফম থোকই। য়ুগী মায়োক্তা চত্থখিবা কেম্পেইনগী ৱাহম্বোক লৈহনবসু চুমগনি। মীয়ামদা উৎ চাইবা ঙাইহাক্কী ওইবা মীয়ামগী পূক্লিং ফাত্থবা য়ানবা থৌরাং ওইরবদি য়াম্না লাইবক থিনিঙাইনি।

ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা লমদম অসিদা য়ু শুংবা পাম্বদগী মমিংতগী ওইনা য়ুগী মায়োক্তা কেম্পেইন চত্থরগা থিংবা ঙমদ্রে হায়বা উৎপা য়ানবা অমসুং ঙমদ্রবনিনা লিগেলাইজ তৌদুনা য়ু শুংহল্লসি হায়বা ৱাফম পুথোকপা য়ানবা অরোনবা থৌরাং ওইরমগদ্রা হায়বসি মীয়াম্না চিংনবা পোক্লি হায়নসু মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## নাগা ৱারীগী খোঙজেল য়াংশিল্লকপদা অপেনবা অমসুং থাগৎপা লেপ্তুনা ফোঙদোক্লরি

দিমাপুর, নবেম্বর ০৩ (এজেন্সি )ঃ

নাগা পোলিটিকেল টোক্ক খুমাঙ চাউশিল্লকখিবদা তোঙান তোঙানবা ওর্গনাইজেসন অমসুং পোলিটিকেল পার্টিশিংনা তরাম্না ওকপগা লোয়ননা অপেনবা অমসুং থাগৎপা লেপ্তুনা ফোঙদোক্লরক্লি।

নাগালেন্দ ট্রাইবেল কাউন্সিলনা ঙরাং থোকখিবা চেরোল অমদা নাগা নেস্নেল পোলিটিকেল গ্রুপস (এন এন পি জিস)কী ৱার্কিং কম্মিটি, এন এস সি এন (আই এম) অমসুং সেন্টরগী মীহুৎ ওইরিবা ইন্টরলো–ক্যুটর আর এন রবিবু পোলিটিকেল নেগোসিয়েসন অসি মায় পাকহন–বগীদমক থাগৎপা অমসুং অপেনবা ফোঙদোকখি। অসিদসু নত্তনা প্রেয়র গ্রুপ, চর্চশিং, ইন্দিজেনস নাগা ট্রাইব ১৪, ইন্দিজেনস মাইনোরিটি ট্রাইব, ইন্দিজেনস সিটিজন অমসুং নাগালেন্দ গাউনবুরা ফেদরেসনবুসু ৱারোইশিন অসি পুরক্লবা কত্থোকপগা লোয়ননা হোৎনখিবা অদুগীদমক থাগৎপসু ফোঙদোক্লি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিবুসু থাগৎলদুনা চীফ মিনিষ্টর নেফ্যু রিও মহাক্কী কলিগশিং, ওপোজিসন মেম্বরশিংনা মপূং ফানা কোওপরেসন পীবিবগীদমকসু অপেনবা ফোঙদোকখি। খেন্নবা কয়া থাদোক্লরগা মীয়ামগী অনীংবা অপাম্বা খঙনা নাগা নেস্নেল পোলিটিকেল গ্রুপ্পা ৱার্কিং কম্মিটি শেমদুনা অমসুং ৱারী শান্নবা অসিদা শরুক য়াখিবা অদুগীদমকসু অপেনবা ফোঙদোক্লি হায়রি।

নাগা হোহোনসু আর এন রবি অমসুং এন এস সি এন (আই এম)গী লিদরসিপ নাকল অনী ভাব তানবা পুরকখিবা অদু তরাম্না ওক্লদুনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট সহানা পোলিটিকেল ইসু অসি লোইশিন্নবা হোৎনবিখিবা অদুগীদমকসু অপেনবা ফোঙদোকখি। মতম চূপ্পগী ওইনা নাগা হোমলেন্দদা শান্তি অমসুং নুংশি চান্নবা পুরক্লবা নাগাশিংগী মঙলান অমসুং অপাম্বা অদু তুংগীদমক য়েংলগা অচুম্বা ওইরগনি হায়বগী ৱাফমসু থল্লি।

নাগা কাউন্সিল দিমাপুরগী পব্লিক এক্সন কম্মিটিনসু সেন্টর অমসুং নাগা পোলিটিকেল গ্রুপশিংনা পোলি–টিকেল সেট্টলমেন পুরকখিবগীদমক অপেনবা ফোঙদোকখি। হৌজিক্তি ৱারোইশিন লাক্লবনিনা মীয়াম্না মখল কয়াগী টেক্সতগী ফ্রি ওইরগনি হায়বগী ৱাফমসু থল্লি।

নাগা পিপলস ফ্রন্ট (এন পি এফ)নসু প্রাইম মিনিষ্টর, হোম মিনিষ্টরনা নাগা ইসু অসিগী ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনখিবা অদুগীদমক অপেনবা ফোঙলদুনা আর এন রবি, এন এস সি এন (আই এম) অমসুং এন এন পি জিগী ৱার্কিং কম্মিটিনা ফাইনেল একোর্দ খূৎয়েক পীননবগীদমক ভাব তানবা পুরকখিবা অদুগীদমক অপেনবা ফোঙদোকখি।

জনতা দল (য়ু) নাগালেন্দ য়ুনিটনসু গভর্ণমেন্ট অমসুং এন এস সি এন (আই এম)গী মরক্তা ইংনা চিক্লা ভাব তানবা পুরকখিবা অদুগীদমক অপেনবা অমসুং থাগৎপা ফোঙদোক্লি হায়রি।

## নাগালেন্দদা মী অমসুং শেকপিগী ঈ চাংয়েং তৌবদা ইবোলাগা মান্নবা ভাইরস থেংনরে

ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ০৩ (এজেন্সি)ঃ

ইন্দিয়াদা ইবোলা দিজিজ রেকোর্দ তৌবা লৈত্রবসু সাইন্টিষ্টশিংনা এন্টিবোদিজ ওইবা ইবোলাগা মান্নবা ভাইরস নাগালেন্দগী মীওই অমসুং শেকপিগী ঈ সেম্পল লৌরগা টেষ্ট তৌবদা থেংনরে হায়রি।

সাউথ এসিয়াদা শেকপিশিং মহৌশাদগী লৈ অদুনা ইবোলাগা মান্নবা ভাইরস য়াওনা অতৈ কয়া থোকহল্লকপা ওইগনি হায়নসু থিজিনবা অমদগী খঙবা ঙমখি। থিজিনবা অদুগী মতুং ইন্না সাইন্টিষ্টশিংনদি শেকপিগা শম্নবদগী ভাইরস অসি থোরকপনি হায়রি।

থিজিনবা অসিগী ফল অসি পি এল ও এস নেগ্লেক্টেদ ট্রোপিকেল দিজিজ জর্নেলদা ফোঙখ্রে। নেস্নেল সেন্টর ফোর বাইওলোজিকেল সাইন্স বেঙ্গলোরগী রিছার্সচরশিংনা চাইনা, শিঙ্গাপুর অমসুং য়ু এস এগা পূন্না থবক তৌমিন্নদুনা হ্যুমেন ব্লদ সেম্পল নাগালেন্দগী ইথনিক গ্রুপকী মীওই ৮৫ দগী লৌখি। হায়রিবা মীওই কাঙলূপ অসি মহৌশাদগী হৌনা চীঙাক নৎত্রগা হিদাক লাংথক্কীদমক শেকপি ফাবগী চৎনবী লৈরকই। মখোয়গী ঈ সেম্পলশিং অদু টেষ্ট তৌবদা মীওই ৫ দি ইবোলা ভাইরস, বুন্দিবুগয়ো ভাইরস, সুদান ভাইরস অমসুং মার্বোগ ভাইরসকা নক্লা মরী লৈনবা খঙদবা এন্টিবোদি ওইবা ভাইরস অসি লৈরম্বা থেংনখিবনি।

হায়রিবা ইবোলা বুন্দিবুগয়ো সুদানগী মার্বোগ ভাইরস অসি ফিলো ভাইরস ফেমিলিগী মনুং চল্লি। মসিনা হেমোরাজিক ফিভর থোকহল্লি। অদুবু হায়রিবা মীওই ৫ অসিদি হেমো–রাজিক ফিভরগী খুদমদি ফংদে হায়রি। থিজিনবা অসিগী ফলনা পুথোক্লিবদি লমদম অসিদা ভাইরস অসি লৈরে অমসুং মীওইবগা শেকপিগা শম্নরুবা মতমদা হেক্তা থোকহল্লকপা য়াই হায়না সেনিয়র সাইন্টিষ্ট অমসুং ষ্টদি টিমগী মেম্বর উমা রামকৃষ্ণনা ফোঙদোকখ্রে।

ইবোলাগুম্বা ফিলো ভাইরস অসি অফ্রিকাদা থোকখ্রে অমসুং ইন্দিপেন্দেন্ট রিছার্স টিম্না ২০১১ দা হায়রিবা ফিলো ভাইরস এন্টি বোদি অসি বাংলাদেশ, চাইনা, সিঙ্গাপুর অমসুং ফিলিপিন্সতা থেংনখ্রে। সাউথ ইষ্ট এসিয়াদসু লৈরম্বা য়াবগী খুদম কয়াসু ফংবা ঙমখ্রে হায়রি।

## লৈকোলগী লূপলোইশিং অগরটালাদা তরাম্না ওকখ্রে

অগরটালা, নবেম্বর ০৩ (জে এন এন )ঃ

তখেল খোঙচৎতা অগরটালাদা থুংলখিবা লৈকোল (লৈমরেল খোর্জেকোল) ইম্ফালগী লূপলোই–শিংবু তখেল লৈমা তেঙবাং লূপ ট্রিপুরানা শীন্দুনা মহারানি তুলসিবতিগী পোক্লফম খুন নলগদিয়া অগরতালাদা লৈবা লূপ অসিগী শঙলেন্দা পাঙথোকপা থৌরম অমদা হরাউ তরাম্না ওকখ্রে।

লৈকোল ইম্ফাল অমদি তখেল লৈমা তেঙবাং লূপ ট্রিপুরাগী লূপলোইশিং শকখঙ মায়খঙনবগা লোয়ননা ৱারী ৱাতাই শানদুনা অৱা নুংঙাই পাউদম্নখি অমসুং শৈরেং পামিন্নখি।

থৌরম অদুদা বাংলাদেশ মণিপুরী সাহিত্য সংসদনা হৌখিবা ইরাই নুমিত্তা নিলিমা সিংহা ইন্টরনেস্নেল এৱার্দ পীদুনা ইকায় খুম্নবা উৎখ্রবা মণিপুরগী শক্লাইরবা স্কোলার প্রো. এন তোম্বীবুসু তরাম্না ওকখি।

লৈকোল ইম্ফালগী মেম্বরশিং বাংলাদেশ মণিপুরী সাহিত্য সংসদকী কলচরেল অমসুং লিটরেচর কনফরেন্স য়াওরবা মতুংদা হল্লকপদা অগরটালাদা থুংলখিবনি হায়রি।

## মেঘলয় পুলিসনা মীওই ৬ হেরোইন গ্রাম ১৬১ কোন্ননা ফারে

শিলোং, নবেম্বর ০৩ (এজেন্সি)ঃ

মেঘলয়াগী ইষ্ট খাসি হিলস দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা মীওই ৬ হেরোইন্নি চিংনবা গ্রাম ১৬১ গা কোন্ননা ফারে। দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পি না ফোঙ–দোকখিবদি হৌখিবা শগোলশেল নুমিৎকী নুমিদাংৱাইরমদা মদানরিটিং অমসুং ইষ্ট খাসি হিলসকী এন্টি নার্কোটিক্স টাস্ক ফোর্সকী টিম অমনা দ্রগ লল্লোনবা কাঙবু অদু ফাখিবনি।

মদানরিটিং পুলিসকী বিট ষ্টাফনা দ্রগ লল্লোনবনি হায়বা মীওই ২ থেংনখি মখা তানা টাস্ক ফোর্স টিম অমা মফম অদুদা চঙশিন্দুনা য়ুম খরদা থিবা হুম্বগী থবক চত্থবদা মিজো মতৈ মনাওনা ভারা শানবা য়ুম অমগী য়ুমথক্তগী হেরোইন গ্রাম ১৬১ অদু ফংখিবনি।

থিজিনবা অদুদা নুপী ৪ য়াওনা মীওই ৬ সু ফাখি। মখোয় অদুদি জোসেফ মার (২৫), ভনলাল জোল (৪০), কিমি মার (৩২) মিলোদি চাকশুৱা (৪৩) মনগুরি খনাই (৩৪) অমসুং নুতৈ তোসোৱাং (৩৭)নি। মখোয় পূম্নমক মিজোরাম অমসুং মণিপুরদগী ঙাক্তনি হায়নসু এস পিনা মখা তানা ফোঙদোকখি। থৌদোক অদুদগী খঙবা ঙম্বদি অসামগী গুৱাহাটি অসি দ্রগকী হব ওইরে অমসুং শিলোং ফাওবা পুরক্লবগী–দমক গুৱাহাটি শিলোং হায়ৱে অসি শীজিন্নরে হায়বসিনি। অদুনা দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা হান্নদগী হেন্না মিকুপ নাহুম শিংনা লৈখ্রে হায়রি।

## ঙমখৈগী চয়েৎনবা লোইশিন্নবা আপিল

আইজোল, নবেম্বর ০৩ (এজেন্সি)ঃ

মিজোরাম অমসুং অসামগী মরক্তা মতম শাংনা ঙমখৈগী চয়েৎনবা লৈরিবা অসি লোইশিন্নবা ষ্টেট গভর্ণমেন্টতা মিজোরামগী মহৈরোয়শিংগী অপূনবা বোদি ওইরিবা মিজো জিরলাই পাউল (এম জেদ পি) অমসুং জোইন্ট এক্সন কম্মিটি ওন ইন্নর লাইন রিজার্ভনা আপিল তৌরি।

অপূনবা চেরোল অমদা চয়েৎনরিবা জোফাই ভিল্লেজদা অসামনা মসজিদ শাজিল্লকপা অসি লেপ্পবা মিজোরাম গভর্ণমেন্টনা আপিল তৌরবসু তাবিদবগী মওং অদুবু য়াম্না কন্না পেন্দবা অমসুং নুংঙাইতবা ফোঙদোক্লি।

## থিয়েটর এক্তিভিষ্ট ২ দা এৱার্দ পীরগনি

সিলচর, নবেম্বর ০৩ (জে এন এন )ঃ

মণিপুরী থিয়েটর সেন্টর (এম টি সি) অসাম্না মণিপুরী থিয়েটর এক্তিভিষ্ট ২ দা এৱার্দ পীরগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

এম টি সিগী জেনরেল সেক্রেটরী সোমোর লুৱাংনা থোকপা চেরোলনা হায়, এম টি সিনা পীবা ৱাহেংবম ওংবী মোম্বী মেমোরিয়েল এৱার্দনা অগরটালা ট্রিপুরাদগী কাব্রম্বম থিরেনদা অদুগা মাইমোম তোমাল–থম্বাল মেমোরিয়েল এৱার্দনা হোজাইদগী লাইশোম গুলাপ্তা পীরগনি। কাব্রবম থিরেন্না মণিপুরগী মপান্দা মরু ওইনা ট্রিপুরাদা মণিপুরী থিয়েটর চাউখৎনবা লৌখিবা থৌদাংবু শক খঙদুনা এৱার্দ অসি মঙোন্দা পীগদবনি অদুগা হোজাইদগী শক্লাইরবা থিয়েটর এক্তিভিষ্ট লাইশোম গুলাপ্পা অসামগী বরাক ভেল্লিদা মপূং ওইনা মণিপুরী থিয়েটরগী লমদা তৌখিবা থবকপু শীংথাদুনা মাইমোম তোমাল–থম্বাল মেমোরিয়েল এৱার্দ পীনবা খনখিবনি।

এৱার্দ অসি চৎলিবা থা অসিগী ২৪ দা সিলচরদা পাঙথোক্কদবা মণিপুরী থিয়েটর সেন্টর অসামগী সিলভর জুবিলি থৌরমদা লাম্বোক্কনি হায়রি।


## এস দি সি লাইফম খুনৌগী থৌ পুগদবশিং নৌনা হাপখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৩ (এস এন এস )ঃ

লাইফম খুনৌ মখা লৈকাই শীংলুপ অমদি অপূনবা নুপী লূপকী অপূনবা মীফম ঙসি মৈরা শঙদা পাঙথোক্তুনা কূপ্না খন্নরবা মতুংদা সোসিয়েল দিভলপমেন্ট ক্লব (এস দি সি) লাইফম খুনৌগী এগজিক্যুটিভ বোদি মুত্থৎলগা অনৌবা এগজিক্যুটিভ বোদি শেমদুনা থৌ পুগদবশিং হাপখ্রে।

লৈশাংথেম নিংথেমজাও সিংহনা ময়াই ফমদুনা পাঙথোকখিবা অপূনবা মীফম অদুনা ক্লব অসিগী থৌ পুনবা নৌনা হাপখ্রবশিং অদুদি ৱাকম্বম তোম্বী সিংহ প্রসিদেন্ট, মাইবম বোবোই সিংহ অমদি মোংজম বিমোল সিংহ অনীমক ভাইস প্রসিদেন্ট, খাইদেম কাজলকুমার মৈতৈ জেনরেল সেক্রেটরী, ৱাংজম রোমিও সিংহ ফাইনান্স সেক্রেটরী, ৱাকম্বম সমসন সিংহ গেমস এন্দ স্পোর্টস সেক্রেটরী, লাইশ্রম অভিনেস সিংহ জোইন্ট সেক্রেটরী অমসুং মাইবম রাকেস পব্লিসিটি সেক্রেটরীনি হায়না লাইফম খুনৌ মখা লৈকাই অপূনবা নুপী লূপকী প্রসিদেন্ট দব্লিউ প্রমোদিনি দেবীনা থাদোরকপা চেরোলনা ফোঙদোরক্লি।

## নুংশংগী ওঝাবু থাগৎচরি


Naorem Ibomcha



ঐগী হকচাংদা নুংশং হায়রিবা লায়না অসিনা মতম শাংনা নাদুনা লৈরকপনি। লাইওংদি মপান্দা পোম্বা, মপান অকোয়বদা থাগৎপা, চেখায়বা, ঈ তাবা চিকপা শাবা, হাক্কৎচবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা অসিনি। মফম খূদিং চৎতুনা য়েংজরুরে, ফবা কৌবা লৈত্রে। লাইবক ফবদগী হৈঙাংদা লৈবা নাওরেম ইবোমচা (Phone No. 8014023792/6009147645) গী হিদাক চাবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা নুংঙাইতবা অদু ঙসিদি পুকফ ফজরে। মরম অদুনা মীয়ামগী সেবা মতম কুইনা তৌবিরকখো হায়না ঈশ্বরগী মফমদা খুরুমজরি।

থাগৎচরিবা – *Maibam Kerani Meitei (60 )*
*Kongpal Chanam Leikai*

SL/5430/19 (M)

## সি এ বিল চৎনহল্লবদি অরুনাচলদা অকনবা খোঙজং চত্থগনি

ইটানগর, নবেম্বর ০৩ (এজেন্সি )ঃ

নোর্থ ইষ্ট রিজন মপূং ওইনা অরুনাচল প্রদেসতা সিটিজন্সিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল চৎনহন্নবা সেন্টরনা খোঙজেল য়াঙনা চঙশিল্লক্লবদি লম্বীদা থোক্তুনা চপ চানা থেংনগনি হায়না অরুনাচল প্রদেশ কংগ্রেস কম্মিটি অমসুং অরুনাচল সিভিল সোসাইটিনা ফোঙদোকখ্রে।

পার্লিয়ামেন্টকী নিংথম মীফমদা হায়রিবা বিল অসি অমুক হন্না পুথোক্লবা সেন্টরনা হোৎনরি হায়রদুনা অরুনাচল পি সি সিগী জেনরেল সেক্রেটরী মিনা তোকোনা হায়, বিল অসি খুদক্তা মাঙহনগদবনি অমসুং নোর্থ ইষ্টর্ন ষ্টেটকী য়েলহৌমীশিংগী য়েংলগা লাইনিংগী মিংদা ফোরেন্নরশিংবু লোনা য়াবা ওইহন্নবা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা হোৎনরি। অদুনা নোর্থ ইষ্টকী লো মেক্কর পূম্নমক্লা বিল অসি ওপোজ তৌগদবনি।

মহাক্লা মখা তানা হায়, অরুনাচল প্রদেশকী হেন্না ফিভম চাদ্রবা য়েলহৌমী ট্রাইবশিং ইন্দিয়াগী মেইন ষ্ট্রিমদা ১৯৭২ গী অথেংবদা নোর্থ ইষ্ট ফ্রন্টিয়ার এজেন্সিদগী ট্রান্সফার তৌরকখিবনি। হায়রিবা য়েলহৌমী ট্রাইবশিং অসি বিল অসিনা অকিবা পোকহল্লে।

নোর্থ ইষ্টর্ন ষ্টেটকী চীফ মিনিষ্টরশিংনসু লমদম অসিগী মীয়ামগীদমক পূন্না লেপমিন্ননবা আপিল তৌরদুনা করিগুম্বা বিল অসি পুথোক্তুনা চৎনহল্লবদি এ পি সি সিনা ৱাখল মান্নবা এন জি ওশিং, য়ুনিয়নশিং, পোলিটিকেল পার্টিশিং অমসুং মীয়ামগা লোয়ননা লম্বীদা থোক্তুনা অকনবা প্রোটেষ্ট তৌগনি হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি।

অরুনাচল সিভিল সোসাইটিগী চিয়ারমেন পতে কায়ুম্না হায়, করিগুম্বা পার্লিয়ামেন্টকী নিংথম সেসন অসিদা সি এ বিল পাস তৌরবদি অরুনাচল প্রদেশকুম্বা ষ্টেটতা হেন্না শাথিবা ইরাং থোরকপা য়াই।

## তরাপুর রেলৱে ষ্টেসন সিলচর টাউনগী ৱাংমদা পুথোক্লবা হোৎনরি

সিলচর, নবেম্বর ০৩ (এজেন্সি )ঃ

কছার দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টর সিলচরদা লৈরিবা তরাপুর রেলৱে ষ্টেসন অসি টাউন অসিগী ৱাংমদা হোংদোক্লবা নোর্থ ইষ্টফ্রন্টিয়ার রেলৱে (এন এফ আর)না হোৎনরি হায়না সিলচরগী এম পি রাজদিপ রোইনা ফোঙদোকখ্রে।

এন এফ রেলৱেগী জেনরেল মেনেজর সঞ্জিব রোইনা হৌখিবা লৈবাকপোকপা অমসুং য়ুমশকৈশ নুমিৎতা সিলচরদা লাক্লম্বা অদুগা মরী লৈননা রাজদিপ রোই এম পিনা হায়, সিলচর টাউনদা চিনবগী চাং হেনগৎলকপা অসিদগী খরমখৈ কোকহন্নবা রেলৱে ষ্টেসন অসি টাউন অসিগী ৱাংমদা হোংদোক্লবা থৌরাং য়াৎপনি।

জেনরেল মেনেজরনা মফম অসিদা লৈরিঙৈদো এন এফ রেলৱেগী সিগনেল এন্দ টেলিকম্যুকেসন দিপার্টমেন্টনা সিলচর রেলৱে ষ্টেসনদা শেমগৎখিবা দিজিটেল ম্যুজিয়মসু শঙ্গাখি। অসিগুম্বা মখলগী ম্যুজিয়ম মমাঙদা জোরহাট টাউন অমসুং লমদিং অমদি নাগালেন্দগী দিমাপুর রেলৱে ষ্টেসন্দা হাংদোকখ্রবনি।

দিজিটেল ম্যুজিয়ম অসিদা ইন্দিয়ান রেলৱেগী হেরিটেজ অমসুং লিগেসি কয়া মীয়ামদা ভাব তাহন্নবা হোৎনবদা নত্তনা পেসেঞ্জরশিংগী খুদোং চানবগীদমক রেলৱে প্রেমিসেসসু দিজিটেল দিসপ্লে তৌরি।

অনৌবা ট্রেন হৌদোক্লবা অমসুং রেলৱেগী ফিভম ফগৎহন্নবা জেনরেল মেনেজরদা খঙহল্লদুনা অথুবা মতমদা থবক্তা ওহোল্লবা হোৎনগনি হায়বগী থাজবসু পীখি।

সিলচরগী এম পিনা কছার অমসুং দিমাহাসা দিষ্ট্রিক্ট বোর্দরদা লৈবা চন্দ্রনাথপুরদগী নাগাউন দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা লনকা ফাওবা য়েংশিনখি। সাউথ অসামগী বরাক ভেল্লিদগী গুৱাহাটি ফাওবা অতোপ্পা রেল লম্বী অমা শেম্বা হৌনবগী থৌরাংদা সর্ভে অদু তৌখিবনি। করিগুম্বা পেসেঞ্জর মশীং হেনগৎলক্লবদি রাজধানি এক্সপ্রেস সিলচর য়ৌনবা হোৎনগনি হায়বগী থাজবা জেনরেল মেনেজরনা পীখি। ২০২০ মার্চ ফাওবগী মনুংদা ইন্টর সিটি অমসুং জনসত্বাদি টাইপকী ট্রেন সিলচরদগী গুৱাহাটি ফাওবা অমসুং সিলচরদগী ট্রিপুরাগী অগরটালা ফাওবা চেলহন্নবা থৌরাংসু তৌরি। অসিদসু নত্তনা করিমগঞ্জ দিষ্ট্রিক্টকী দুলাবচেরাদগী সিলচর ফাওবা লোকেল পেসেঞ্জর ট্রেন অমা হৌদোক্লবসু থৌরাং তৌরি। সিলচরগী রেলৱে ষ্টেসন অসি দরকার ওইবা মচাক মথুম শেমগৎনবগীদমক লূপা ক্রোর ৮ দগী ১০ ফাওবা কাইথোকপগী তঙাইফদবা লৈ হায়নসু জেনরেল মেনেজরনা এম পিগী পূক্লিং চিংশিনখি হায়রি।

## ঙসিগী রাষি ফল (০৪–১১–২০১৯)

ইবোপিশক নিংথৌজা (এৱার্দি)

*এষ্ট্রো এণ্ড পালমিষ্ট, পাউনা বাজার, ইম্ফাল*

**মেষঃ** হকচাং ৱাখল ফগৎপা, শেল ফংবা, পোৎ লৈবা য়াবা, ঐগী মী মশীং হেনগৎপা, পোৎ লৈবা য়াবা, ইমুংদা শান্তি লৈবা মতম্নি। নক্ষত্র ১,২,৩ অফবনি।

**বৃষঃ** শোক্কনবা শাওনবা, ৱারৌবা মতম্নি। শেল মরম চাদনা চৎলগনি। অচৌবনা চানবিরগনি। অরুবদি পাঙথোক্লগনি। চরাঙনগনি। নক্ষত্র ৩ ফগনি, ৪ ফত্তে, ৫ খরা ফগনি।

**মিথুনঃ** খৎনবা, শোক্কনবা, কোক শাবা, তপথবা, য়ৈখায়বা থেংনবা মতম্নি। শাওদবা ফগনি। হোৎনবদা চেকশিন্না হোৎনজগনি। ইমুংদা মত খেন্নরগনি। নক্ষত্র ৫ ফগনি, ৬ ফত্তে, ৭ খরা ফগনি।

**কর্কটঃ** খৎনবা, শাওনবা, কোক শাবা, মীনা নুংশিবিদবা মতম্নি। শেল চৎপা, পোৎ লৈবদি য়াবা মতম্নি। হকচাং ৱাখল নুংঙাইরোই। নক্ষত্র ৭ ফত্তে, ৮ ফগনি, ৯ খরা ফগনি।

**সিংহঃ** চাউখৎপা, ফগৎপা, অরুবা পাঙথোকপা, পোৎ লৈবা য়াবা, মরুপ মফম ফগৎপা মতম্নি। লম চৎপা কান্নগনি। শান্তি লৈরগনি। নক্ষত্র ১০, ১১, ১২ অফবনি।

**কন্যাঃ** তোখাই তাবা, খৎননিংবা, কোক শাবা, মীৱা মীশা তাবা মতম্নি। পোৎ লৈবা য়াগনি। অচৌবনদি চানবিরগনি। ইমুংদা চরাঙনগনি। নক্ষত্র ১২ ফগনি, ১৩ ফত্তে, ১৪ খরা ফগনি।

**তুলাঃ** চরক চহিং নাইবা, অপনবা য়ৈখায়বা থেংনবা মতম্নি। শেল চৎপা, পোৎ লৈবা য়াবা মতম্নি। তোখাই তাগনগনি। নক্ষত্র ১৪ ফগনি, ১৫ ফত্তে, ১৬ খরা ফগনি।

**বৃশ্চিকঃ** খুদোংচাবা থেংনবা, অরুবা পাঙথোকপা, ঐগী মী মশীং হেনগৎপা, পোৎ লৈবা য়াবা, অচৌবনা চানবিবা মতম্নি। নক্ষত্র ১৬ ফগনি, ১৭ চাং অমদা লৈরগনি, ১৮ ফগনি।

**ধনুঃ** শেল ফংবা, পোৎ লৈবা য়াবা, ইথক থোংবশিংনা নুংশিবিবা, লম চৎপা কান্নবা মতম্নি। ইমুংদা শান্তি লৈরগনি। নক্ষত্র ১৯, ২০, ২১ অফবনি।

**মকরঃ** খৎনবা, কোক শাবা, মীৱা মীশা তাবা, শেল চৎপা মতম্নি। শোক্কনবা মতম্নি। পোৎ লৈবা য়াগনি। ইমুংদা মত খেন্নরগনি। নক্ষত্র ২১ ফগনি, ২২ ফত্তে, ২৩ অফবনি।

**কুম্ভঃ** শেল ফংবা চৎপা মান্নগনি। মরুপ মফম চেকশিল্লু। পোৎ লৈবা য়াগনি। ইথক থোংবশিংনা নুংশিবিরগনি। শান্তি লৈতে। নক্ষত্র ২৩ ফগনি, ২৪ ফত্তে, ২৫ ফগনি।

**মীনঃ** চাউখৎপা, ফগৎপা, পাঙথোক্লিংবা পাঙথোকপা মরুপ মফম ফগৎপা, হোৎনবা য়াবা, ইমুংদা শান্তি লৈবা মতম্নি। নক্ষত্র ২৫ ফগনি, ২৬ ফত্তে, ২৭ ফগনি।

